# খোঙজোম লান্দা থৱায় কৎখ্রবশিংদা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে লিংজেল মান্নদবনা মীতোপশিংনা খুৎ থিংজিনহন্নবগী

-গভর্নর

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ* ইং ১৮৯১ গী খোঙজোম লালদা মণিপুরগী নিংতম্বা ঙাক্নবা হোৎনবদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা ঙসি জাতি অসিনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে। সমাজবু মশক থিহল্লিবা শাফুশিংনা চাওখৎ খোঙজেল থিহ্নহনবদা নত্তনা সরকারগী শেল অমদি ইনর্জিসু মাঙহল্লি হায়না গভর্নর গুরবচন জগৎনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর সরকারনা শিন্দুনা খোঙজোমগী খেবা চীংদা লৈবা নিংশিং খুভমদা গভর্নর গুরবচন জগৎ অমদি চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা লুচিংদুনা মীয়াম্না হৈকৎ-লৈকৎ তমখিবা থৌরম অদুদা গভর্নরনা হায়, মণিপুর অসি ঙসিদি য়াম্না অরুবা তাঙ্কক অমদা লাক্লি।

মতম শাংনা লৈরক্লবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিনা মীয়ামগী পুন্সিদা চাওনা চৈথেং পীদুনা লাক্লি। লালহৌবগী সমস্যা অমদি মদুগী মতুং তারকপদা থোক্লকপা রেস্সমগীদমক মী ফাবা, নমদুনা শেল খায়বা অমদি হাৎপা তুপ্পা চথরক্লি। অমরোমদা লুপ খরনা খুদোংচাবা লৌনবা বন্দ, ব্লোকেদ কয়া তোয়না চথরি।

নাকল অমরোমদা লমদম অসিগী ইমা কৈথেল, নুপী লাল অমদি মৈরা পায়বী কয়া মালেমদা শক খঙনরবসু, নুপীশিংগী মায়োক্তা চথরকপা ক্রাইম হেনগৎলকপা অসি থম্মোয় শোক্লিংঙাইনি। অসিগুম্বা সমাজবু মশক থিহল্লিবা শাফুশিংনা সমাজ অমদি শেল থুমগী চাওখৎ লমজেলদা থিহ্নহনবদা নত্তনা সরকারগী শেল অমদি ইনর্জিসু মাঙহল্লিবনি। মরম অসিনা লমদম অসিবু চাওখৎপা অমদি শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইনবগীদমক ঐখোয়না হঙ্গৎনা য়েংবা মতম ওইরে হায়খি।

মীয়াম মরক্তা মত মান্নদবা অমদি লিংজেল মান্নদবা কয়ানা জাতিগী মপাঙ্গল শোহ্নহনবতা নত্তনা মীতোপশিংনা খুৎ থিংজিনহন্নবগী মরম ওইহল্লিবনি। ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপগা ইরোইননা মসিগী পাড়া অসি নিংশিংলগা অমত্তা ওইনা অপুনবা শক্তি শাগৎপা তাই। অদুগুম্বা অপুনবগী লিংজেল অদুনা ঐখোয়বু নিংতম্বা অমদি মপাঙ্গল কনবা জাতি অমা পীরিবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবী সিংহনা হায়, খোঙজোমগী খেবা চীংগী খুভম অসি মণিপুর পুম্বগী চাওথোকচনিঙাইনি। মসিবু ইকো টুরিজম স্পোট অমা ওইনা লুপা কোতি ২০ লোম হেন্না চঙবা মেগা প্রোজেক্ট অমা পায়খৎনবা মিনিষ্ট্রি ওফ টুরিজমদা তান্নরি। মসিদা লৌ পরি মরি / মঙা অমগা লৌশিল্লগা
ৱাটর বোদি থমদুনা লম কোয়বশিংগী পুক্লিং চিংশিন্নবা হোৎনরি। লোয়ননা চীং অসিদা হান্না হৌরম্বা অৱাংবা উশিং য়াহ্নৎলগা মনা পুংবা পংৱাং ৱাংদবা উ ওইনা থানবা থবক পায়খৎলগনি।

ঙসিগী নুমিৎ অসি লাকপনা মণিপুরীশিংনা মমা লৈবাক্কীদমক কখোকপা অমদি নিংহন্নদবা থৌনা উৎখিবা অদু নৌহৌননা নিংশীংহল্লি। খোঙজোম নুমিৎ অসি মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী ইতিহাসতা নত্তনা মালেমগী নিংতম্বা পাম্বা জাতি খুদিংগীসু মরুওইবনি।

থৌরম অসি পাঙথোকপদা লাইওইখ্রবশিংনা ঐখোয়দা শিন্নরম্বা ইথৌশিং অদু ঙসিগী মীরোলনা নিংশিংদ্রবদি থৌরম অসি মপুং ফারোই। মখোয়না পামজবদি লৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাকপা অমদি লৈবাক্কী অমত্তা ওইবগী শক্তম অসি মপাঙ্গল কলহনবা অসিনি।

ঐখোয় পুম্নমক নীংতম্বা ইন্দিয়াগী সিটিজনশিংনি হায়বসি কাওফম থোক্তে লোয়ননা নীংতম্বা অসি ঙাক শেনবা মথৌ তাই। ৱানা হোৎনদুনা ফংলবা নীংতম্বা অসি অৱৈবা শক্তি শীজিন্নদুনা ঙাকপা তাবনি। ইন্দিয়াগী অপুনবা অসি মপাঙ্গল কলহনবা হায়বসি তঙাইফদবনি অমদি মপানগী নত্রগা মনুংগী শক্তি ওইরসু য়ুনিটি অমদি ইন্টিগ্রিটিগী মায়োক্তা লৈরবদি মদু থৌনা লৈবা মায়োক্লবা তাই।

য়ুনিটি লৈতবা খুন্নাই চাওখৎতুনা অমদি নুংঙাই য়াইফবা লমদম অমা ওইনা হিংবা ঙম্লোই। শান্তি লৈত্রবদি চাওখৎপগী লম্বীদা চাওনা অপনবা পী। চাওখৎপগী লমদা মণিপুর অসি অতোপ্পা জাতিদগী শোত্থনা লৈরি।

থৌরম অদুগী মাংওইননা গভর্নর অমদি সিএম না নীংশিং খুভমদা লৈ কৎখি। লোয়ননা এম আরগী কাংবুনা নোংমৈ কাপ্পুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। তুংদা পাউনা ব্রজবাসিগী মুর্ত্তিদা অমুক লৈ কৎখি। মফমদুদসু এমআর গী টিম অমনা গন সেলুট পীখি। লোয়ননা খোঙজোম তুরেলদা তর্পন কৎখি।